খোংজোম পর্বগী ৱার্কশোপ

ইম্ফাল, মে ২৯ : নোংমগী ওইবা খোংজোম পর্বগী সেমিনার অমদি ৱার্কশোপ অমা ঙরাং ইন্তিগ্রেটেদ কলচরেল এসোসিএসন, খোংমন জোন থ্রিনা শীন্দুনা খোংমন জোন টুদা লৈবা টু এন্দ ৱান কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগী হৌদোকপদা খোংমন গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এস নুংশিলৈনা চীফ গেষ্ট, এন সমানন্দ সোসল এক্টিভিসনা প্রসিদেন্ট অমসুং এস খোগেন্দ্রো রাজধারি গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। বি সুরেশ অমসুং এন মেধবতিনা রিসোর্ছ পার্সন ওইনা ৱা ঙাঙখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা এস নুংশিরৈনা হায়খি, নিংথৌরোলশিংগী হক্তক্তগী লৈরক্লবা খোংজোম পর্ব শৈশক হায়বসি য়াম্না মরুওই। নিংথৌনা লাল চঙবগী ৱারী পরিং অমদা শৈথাদুনা শকপা ঈশৈ অসি ঙসিগী মীরোলদা খঙহনবা চঙই।

য়াইবীলেন চিলদ্রেন হোমদা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৯ : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কৈবী সনাপাৎতা লৈবা য়াইবীলেন চিলদ্রেন হোমগী অঙাংশিংগীদমক্তা থা অসিগী ২৬তা ৱাইখোং উয়ুং খুন্নৌদা লৈবা হিজম বিনোদকুমার মীতৈ অমদি হিজম ওংবী অবেমচানা মখোয়গী মচানুপী বেম্বেম চনুগী ৬শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা লুপা ১০০০ অমসুং অচা-অথকশিং পীরমখি। শিংজমৈ ময়েং লৈকায়দা লৈবা লোংজম নিংঙোল একাসিনিনা অঙাংশিংগীদমক্তা লুপা ৭৫০০ অমসুং অচা-অথকশিং মতেং পাংলমখি। লোয়ননা উরিপোক লল্লাম্বুং মখোঙদা লৈবা ডা. লাইশ্রম সুরজ অমদি লাইশ্রম ওংবী দাইনা কোইজমনা মখোয়গী মচানুপী বেবিসিয়া লাইশ্রমগী অনীশুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা কে জি ৫০গী চেঙ বেগ অহুম, হৱাই বেগ অমা, আলু বেগ অমা, তিলহৌ বেগ অমা অমসুং অচাথাউ লিটর মঙা তেংবাঙবীরমই হায়না য়াইবীলেন চিলদ্রেন হোম মেনেজিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট য়াঙ্গোই পিবনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

রমজানগী পাউজেল

ইম্ফাল, মে ২৯ : মুস্লিমশিংগী শেংলবা রমজান কুম্মৈনা লাকপদা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টি (এন ঈ আই দি পি) ইরমদম মণিপুর অমদি অৰাং নোংপোক লমদমদা পুন্না খুন্দামিন্নরিবা ইস্লাম লাইনিং চৎপা ইচিন ইনাও পুম্নমক্কী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। রমজান কুম্মৈনা লাকপদা পুন্না খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খূদিংমক অমনা অমবু ঈকায় খুম্নবগা লোয়ননা চান্ন-চিন্ননা লৈমিন্নদুনা চাউখৎপা লৈবাকশিংগা হিদান্নবা ঙম্নবা অমদি চাউখৎপগী লমদা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নদুনা ঈং-তপ্পা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা তাইবঙ শেম্বা মপু অলাহগী মফমদা থৌনিমিন্নরসি হায়না এন ঈ আই দি পিগী প্রোপেগন্দা সেক্রেটরিনা পাউজেল্লক্লি।

অৰাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ২৯ : কৈরাও এ সীগী এম এল এ ওইরম্বা করাম থমর্জিৎনা খঙহৌদনা লৈখিদবা অসি কৈরাও এ সীগী অচৌবা মাঙজবনি লোয়ননা মণিপুর অপুনবগী মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা মাঙজবনি হায়না সিক্যুলর মুস্লিম দিভলপমেন্ট কম্মিটি কৈরাও কেন্দ্রনা ফোঙদোরক্লি। সিক্যুলর মুস্লিম দিভলপমেন্ট কম্মিটি কৈরাও কেন্দ্রগী প্রসিদেন্ট সয়দ ইদ্রিজ অলিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মহাক্লা লৈখিদবদা কম্মিটি অসিনা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৰাবদসু শরুক য়ারি। লৈখিদ্রবগী থৱায় শেম্বীবা মপুগী মফমদা ঈংনা চীক্লা লৈরসনু হায়রি।

খোঙজং হন্দোক্লে

ইম্ফাল, মে ২৯ : থাংমৈবন্দ মৈস্নাম লৈকায়দা লৈবা মুজি লৈরক থিংলম্বা অদু ঙসি চীফ এঞ্জিনিয়ার পি দল্লিয়ু দিনা য়েংশিনবীরমদুনা অথুবা মতমদা লম্বী অসি শেমগনি হায়বগী থাজবা পীরম্লে। মরম অসিনা লম্বী থিংবগী খোঙজং অসি হন্দোক্লে। করিগুম্বা অথুবা মতমদা শেম্বীরক্তবা তারগদি মখা তাবা খোঙজং অমুক চঙশিনগনি হায়না মৈরা পায়বীগী প্রসিদেন্ট এন মেমচানা থোকপা চেরোলনা হায়রি।

চসাদতা এ টি এম

ইম্ফাল, মে ২৯ : হেদক্বাটর আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা ১০-সেক্টর অসাম রাইফলসকী ৩১-অসাম রাইফলসনা থা অসিগী ১৮দা এস বি আইগী এ টি এম অমা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী চসাদ ভীলেজদা থা অসিগী ১৮দা হাংদোকখ্রে। এস বি আইগী এ টি এম অমা চসাদ ভীলেজদা হাংদোকখিবা অসিনা মফম অদুগী মীয়ামদা খুদোংচাবা ফংহনবতা নত্তনা অসাম রাইফলসকা মীয়ামগা লৈনবা মরী চেৎশিনহল্লগনি হায়না পি আর ওনা ঐচ ক্যু আই জি এ আরগী চেরোল অমনা হায়রি।

লাই হরাওবগী থৌরমদা মাইবী, পেনা, তাঞ্জুল পরম চুম্না শাবীয়ু : উকল

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস) :

লাই হরাওরিবা খুলগী খুঞ্জাশিংনা ঙাইহাক্কী নুংঙাইনবা প্রেসর পীদুনা মাইবী, পেনা অমদি তাঞ্জুল শাবশিংদা ইন্টরটেনমেন্টকী থৌরমদা য়াওহনবীগনু অমসুং লাই হরাওবা চৎলিবা মাইবী, পেনা অমসুং তাঞ্জুল শাবনসু পরম কায়দনা লাই হরাওবীনবা উমং লাই কনবা অপুনবা লূপ (উকল)না আপিল তৌরক্লি।

পুলৈরোম্বা খোংনাংমখোঙদা লৈবা উকলগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা উকলগী কনভিনর মুতুম মণিতোননা হায়খি, হিয়াংলম ৱাইখোম লৈকায়দা লৈবা লাইদিনকোল পাখঙবা হরাওবগী লাইরোই নুমিৎ হৌখিবা এপ্রিল ২৩দা তাঞ্জুল শাবা লৈতাম্থেম সুরজ অপোকপা এল ইবোমচা কৌবা থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়দা লৈবা মীওই অসিনা ইন্টরটেনমেন্ট ওইবা মওংদা থৌরম পাঙথোকখি।

খুলং তরেৎ শাবা মাইবী তরেৎ অসিনা নোম্থরগা লৈরগা লৈবদা মাইবী অমদা কোল্লগা চোংবগী শক্তম ফেসবুক্তা থাগৎলকখি। থৌওং অদু মীয়ামদা নুংঙাইখিদ্রে হায়বা তাকপনি। মরম অসিনা উকলনা য়েংশিনবীদ্রে হায়বা ৰাফম অমা লাক্লে। থৌওং অদুগা মরী লৈননা লৈতাম্থেম সুরজগা উকলগা ৰাখল তামিন্নরে অমসুং মতুংদা তৌদনবসু পাউতাক পীরে। মরম অদুনা লাই হরাওফমগী খুঞ্জাশিংনসু ৰাখল তাবা চঙই।

উমং লাইগী কাঙলোন চুম্না পুথোক্লবা লিটরেচরনচিংবা শেম্নবা হোৎনরি। মীয়াম্নং হঙ্গোইবা য়াবা থৌওংশিং য়াওদনবা কন্না হোৎনরি। মীয়ামগী নুংঙাইনবা প্রেসর লাকপদা মাইবী নৎত্রগা তাঞ্জুল অমদি নুরাবী শাবদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লি অমদি কনাগুম্বশিংনা ফেসবুক্তা থাগৎলকপদা উকলনা ৰাহং হংনিংঙাই ওইরকই। মরম অদুনা খুঞ্জাশিংনা ৰাখল তাবীয়ু।

লাই হরাওরিবা মাইবী, পেনা অমদি তাঞ্জুল নুরাবী শাবশিংনা পরম চুম্না লাই হরাওবীয়ু। পরম চুম্না লাই হরাওবগীদমক লাইরিক ফোঙলি। ফোঙলিবা লাইরিক অসিসু এক্সপার্ট টিম অমনা য়েংশিল্লবা মতুংদা ফোঙবনি। লাইগী থৌরম কায়বা হায়বসি মীওইবদসু কায়গনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

উকলগা ৰাখল তামিন্নরবা লৈতাম্থেম সুরজনা হায়খি, লমদমদুগী মীয়ামগী নুংঙাইনবা খরা হাপচিনবা অসিগীদমক্তা লানখ্রে। মতুংদা অমুক হন্না অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি তৌজররোই। অদুম ওইনমক ফেসবুক্তা থাগৎলক্লিবা অসি নুংঙাইতে। মতুংদা তাঞ্জুল শাবগী পরম চুম্না পাঙথোক্তুনা মীয়ামগী নুংঙাইনবা হাপ্লরোই।

উকলগী প্রসিদেন্ট চনম পারিহলনা হায়খি, লাই হরাওবা হায়বসি পরম চুম্না পাঙথোক্লবা মতমদা মীওইবদা অফবা লাক্কদৌরিবনি। মরম অদুনা পরম চুম্না লাই হরাওবা হায়বসি তৌফম থোকপা মরুওইবা থৌদাংনি খল্লগা লাই হরাওবগী থৌরম পাঙথোকমিন্নসি।

‘পঞ্চায়ট ঘর শাবগা মরী লৈনবশিং চৈরাক পীয়ু’

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস) :

রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ স্কিমগী ফর্ষ্ট ফেজগী ওইনা পঞ্চায়ট ঘর ১৪ শাখিবগী মনুংদা পঞ্চায়ট ঘর মরিখক ইন্সপেক্সন তৌজগে হায়দুনা চহীসিগী ফেব্রুৰারী ১৩দা এপ্লিকেসন থাদুনা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টতা পঞ্চায়ট ঘর অনী/অনী য়েংশিল্লুবদা পঞ্চায়ট ঘরশিং অদু শানবগী দ্রোইংদা লৈবা অদুগুম্না শারমদ্রে। মরম অদুনা মসিদা চেন্নবা এঞ্জিনিয়ার, ওফিসারশিংগী মথক্তা লোগী ওইনা ফংফম থোকপা চৈরাক ফংহনবীয়ু হায়না আর টি আই এক্টিভিস অয়েকপম কেশ্বরজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা হাওবম মরক ইরোম লৈকায়দা লৈবা আর টি আই এক্টিভিস অয়েকপম কেশ্বরজিৎনা হায়খি, কুমজা ২০১৫গী জন্যুৰারী ৫দা রুরেল দিভলপমেন্ট পঞ্চায়টি রাজগী মখাদা পঞ্চায়ট ঘর শারিবা অসিগা মরী লৈননা আর টি আই এপ্লিকেসন অমা ফাইল তৌখি।

অদুগুম্বা আর টি আই এপ্লিকেসন অদুগী রিপ্লাইনা রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজগী দিরেক্টরনা কুমজা ২০১৫গী জন্যুৰারী ২২দা ইনফোর্মেসন পীরকখি। ইনফোর্মেসন অদুগী মতুং ইন্না অহানবা ফেজগী ওইনা পঞ্চায়ট ঘর ১৪ শাবগী লিষ্ট পীরকখি। ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা পুন্না পঞ্চায়ট ঘর ১৪ শাখি।

চহীসিগী ফেব্রুৰারী ১৩দা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী গ্রাম পঞ্চায়ট মরি য়েংশিন্নবা এপ্লিকেসন থারবা মতুংদা য়েংশিল্লুবদা দ্রোইংগা শারিবা পঞ্চায়ট ঘরগা মান্নদবা থেংনরকখি। মরম অদুনা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌরে। দোক্যুমেন্টরি ইভিদেন্স লৈরবনিনা পরম চুম্না পঞ্চায়ট ঘর থাদবগীদমক্তা এঞ্জিনিয়ার, ওফিসার অমদি মরী লৈনবশিংগী মথক্তা চপ চাবা লোগী ওইবা ফংফম থোকপা চৈরাক ফংহনবীয়ু হায়না তকশিনখ্রে।

চহীসিগী এপ্রিল ১৫দা ইম্ফাল ৱেষ্টকী গ্রাম পঞ্চায়ট ঘর অনী নাওরিয়া পাখঙলাকপা, হৈনৌ খোংনেম্বী জি পিগা মোংশাঙ্গে জি পিগা য়েংখি। নাওরিয়া পাখঙলাকপা জি পি অসি ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকায়দা লৈবনি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা খুরাই চিঙ্গাংবম লৈকায় জি পি অদুগা বামোন কম্পু জি পিনা হৌখিবা এপ্রিল ১৭তা য়েংখি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ইন্সপেক্সন তৌবা অদু এক্সপার্ট এঞ্জিনিয়ার ৱাই জয়কুমার অমদি দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী কে ঐচ সন্তোশ এস ও রুরেল দিলভপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ অমসুং এল ইন্দ্ররাজগা লোয়ননা স্পোটতা চত্তুনা য়েংশিনখি। দ্রোইংদা লৈগদবা লেং, ব্রেথ অমসুং হাইট, থোঙ অমদি থোঙনাও লোয়ননা আর সী সী বিম অদু চেক তৌমিন্নবা মতমদা লৈফম থোকপা অমত্তা লৈরমদ্রে।

পঞ্চায়ট ঘর অসি দিপার্টমেন্টেল ৱার্ক ওইনা তৌখিবনি। নাওরিয়া পাখঙলাকপগী জুরিসদিক্সন ওইরিবা শিংজমৈ পি এসতা সনসম সমানন্দ মঙাং ঈ ঈ রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ কৌবা শিংজমৈ থোঙাম লৈকায়দা লৈবা অমদি হাওবম মরক ইরোম লৈকায়দা লৈবা কে ঐচ সন্তোশ অমসুং কোংবা লাইশ্রম লৈকায়দা লৈবা এন ইন্দ্ররাজ হায়রিবা মীওই অহুম অসিগী মথক্তা পব্লিক ফন্দ লান্না শীজিন্নবা অমসুং নমথাক তৌবগী লিগেল এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়দুনা চহীসিগী মে ২২দা থাখিবা কমপ্লেন্ট অদুগী মতুং ইন্না হৌখিবা মে ২৪গী অয়ুক পুং ১০ দা ষ্টেটমেন্ট লৌনবা লাকউ হায়দুনা সামোন থারক্তুনা ষ্টেটমেন্ট লৌখি। লোয়ননা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসন্না এঞ্জিনিয়ার অমা য়াওনা এস ও অনীগী মথক্তা এফ আই আর রেজিষ্টর তৌখ্রে।

খুরাই চিঙ্গাংবম লৈকায়দা শারিবা পঞ্চায়ট ঘর অসিগা মরী লৈননা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসন্দসু অদুগুম্বা এপ্লিকেসন অমা থারে অমদি পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসন হায়রিবা এঞ্জিনিয়ার অমদি এস ও অসি কৌরগা ইনক্বারি তৌরে অদুবু এফ আই আর রেজিষ্ট্রেসন তৌবদি লৈত্রি।

অনৌবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা করপ্সন হায়বসি মীয়ামগী মতেং য়াওদ্রবদি মুখৎপা ঙম্লোই হায়বা খোল্লাউ অদুদা মতেং পাংশিনবা ওইনা দোক্যুমেন্টরি ইভিদেন্স লৈরবা দিপার্টমেন্টেল ৱার্ক ওইনা শাখিবা পঞ্চায়ট ঘর অসি পরম চুদনা শাখিবা এঞ্জিনিয়ার অমসুং ওফিসলশিংগী মথক্তা চপ চাবা লোগী ফংফম থোকপা চৈরাক অদু ফংহনবা পামই।

‘প্রিয়োকুমার মীহাৎ য়ানিংদে’

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস) : হৈঙাং পান্থোইবী লৈকায়দগী হিরোম প্রিয়োকুমারগী মীহাৎ য়ানিংদে হায়না নোংপোক লৈঙাক অপুনবা নুপী লূপকী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৈঙাং পান্থোইবী লৈকায়দগী হিরোম প্রিয়োকুমার এলিয়স য়াইমা কৌবা মীওই অমা এম জি এভিন্যুগী এস বি আইদা শেল হাপ্লম্লবা মতুং থা অসিগী ১৭কী নুংথিলদা শকখঙদবশিংনা ফাদুনা পুখ্রগা মফম খঙদনা মাঙখ্রবা মতুংদা থা অসিগী ২৬তা অশিবা হকচাং ওইনা তাংজেং লাইমাং চীংদা থৌরী য়ানশিল্লগা থল্লম্বদা চেন্নবা মীওইশিং অহকপা চৈরাক পীয়ু অমদি অথুবা মতমদা পুথোকপীয়ু।

লৈখিদ্রবা হিরোম প্রিয়োকুমারগী মীহাৎ অসি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই অমসুং লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৰাবদা শরুক য়াবগা লোয়ননা জে এ সীনা চঙশিল্লকপা খোঙজং খূদিংমক্তা শরুক য়াগনি। মণিপুর লৈঙাক্লা অসিগুম্বা মীহাৎ, থৌদোক ৰাথোক অসি হৌরক্লিবা ইচা-ইনাও অমদি তুংগী মীরোলদা অমুক হন্না থোক্তনবগীদমক অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপীয়ু হায়রি।

চ্যেরপার্সন্না মীয়ামদা শেংদোকউ

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস) : নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ নম্বর-৯গী নম্বোল কোঞ্জাম অৰাং, মংজিং কমোং অমসুং কোঞ্জাম ময়াই লৈকায় অপুনবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপনা য়েঞ্জবা পি দি এসকী পোৎলম ওইরিবা চেঙ থা ৭/৮গী নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী চ্যেরপার্সন মাঙখ্রে হায়রিবসি সেল্ফ হেল্প গ্রুপ অসিনা মাঙহনখিবা লৈতে।

গভর্ণমেন্টনা পীরক্তবনা সেল্ফ হেল্প গ্রুপনা য়েনবা ঙমখিদে। মাঙখিবা থাগী চেঙ মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমদি ৱার্দ অসিগী চ্যেরপার্সননা অথুবা মতমদা মীয়ামদা শেংদোরকউ হায়না কোঞ্জাম অপুনবা নুপী সেল্ফ হেল্প গ্রুপকী প্রসিদেন্টনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

প্রিপাক্কী কাদর অমা ফারে

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস) : ন্যু কৈথেলমানবী বজারগী অকোয়বদা প্রিপাক্কী এক্টিব মেম্বর অমা লৈরে হায়বা থাজবা য়াবা পাউ অমা ফংবদগী থা অসিগী ২৬কী অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং ৬শুবা অসাম রাইফলসকী কম্বাইন্দ টিম অমনা ওটোরিস্কো পার্কিং মমাঙদা ফ্রিস্কিং-চেকিং চখুবদা প্রিপাক (জি এস)কী থোকচোম ইবোহল এলিয়স ঙম্বোং (৪২) অপোকপা পি ঐচ কুলা কৌবা মোইদাংপোক অহৈবম লৈকায়দা লৈবা মীওই অসি ফারে। মখা তানা ৰাহং পাউহং তৌবদা মহাক প্রিপাক্কী কাদরশিং রিক্রুট তৌবদা হকথেংননা চেন্নে হায়না ফোঙদোরক্লে। হীরম অসিগী মতাংদা পাৎশোই পুলিস ষ্টেসন্দা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা মখা তানা থিজিন হুমজিনবগী থবক চখুরি হায়না পুলিস দিপার্টমেন্টকী পি আর ও দল্লিয়ু বাসুনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

নীংশিং সেবাগী থৌরম

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস) : সিতলজিৎ নীংশিং সেবা সমিটি মেনেজমেন্ট কম্মিটি সাহিত্য থৌপাং লূপনা কুমজা ২০০৯দগী হৌনা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা নীংশিং সেবাগী থৌরম থা অসিগী ৩০গী নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদা রুপ মহল ঠিয়েটর বি টি রোদ ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি।

থৌরম অদুদা কাংজম রাধাকুমার আই এ এস কম্মিস্নার অমসুং লোংজম জয়চন্দ্র রেজিষ্ট্রার মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরনা চীফ গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্ট ওইগনি। কবি সিতলজিৎকী শৈরেং অমসুং ৰারীমচাশিং এস ভানুমতি, খ্বাইরাকপম বিশ্বমিত্র অমসুং লোইতোংবম দোরেননা পাঙথোক্কনি। সিতলজিৎকী মরমদা য়ুম্লেম্বম ইবোমচানা ৰা ঙাঙগনি অমসুং খ্বাইরাকপম বিশ্বমিত্রনা দিরেক্সন পীবা গুরু সিতলজিৎতা কৎচবা ফিল্ম *খুজিন্দা য়োৎপী* উৎকনি হায়না সিতল নীংশিং সেবা কম্মিটিগী কনভিরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা পীরকপা চৈথেংগী মরমদা খন্ন-নৈনবগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস) :

ক্রিপা সোসাইটিনা স্কুলশিংদা চত্তুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মরমদা খন্ন-নৈনবগী মীফম পাঙথোকখ্রে।

ক্রিপা সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট হিজম দিনেশনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, সোসাইটি অসিনা স্কুল ওথোরিটিশিংগা খুৎশম্নদুনা চথরকপা নহা ওইরিবা মহৈরোয়শিংগী মরক্তা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নরকপা অমসুং মসিনা পীরকপা চৈথেংগী মরমদা মহৈরোয় অমদি ওজাশিংগা পুন্না খঙমিন্নবগী চঙশিল্লকপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি অয়ুক সগোলবন্দ তেরা কৈথেলদা লৈবা ব্লেশ একাদেমিগী হোলদা অনীশুবা ওইনা পাঙথোকখ্রে।



থৌরম অদুদা ব্লেশ একাদেমিগী হেদমাষ্টর অঙোম ইবোতোম্বীনা প্রসিদেন্ট লোয়ননা ক্রিপা সোসাইটিগী নিংথৌখোংজম বোবোমনা রিসোর্ছ পার্সন ওইনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক অমসুং মসিনা পীরকপা চৈথেং হায়বা হীরম অসিদা মরিক চুম্বা ৰাফম কয়া থমখি। মহৈরোয়শিংগা পুন্না হীরম অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমসুং পাঙথোকখি হায়রি।

লাইশু তম্বীবনা খুন্নাইগী লমচৎ-শাজত্তা অওনবা পুরকপদা মতেং পাংগনি : লৈকল্লূপ

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস) : থোংজু পার্ট-টু মখা লৈকায়দা লৈবা সোইবম মনোহরগী য়ুমদা ঙরাং লৈকায় অদুগী অঙাংশিংদা মপোকপা অমসুং অপোকপীশিংগী মমাঙদা লৈকল্লূপকী অহলশিংনা লাইশু তম্বীখ্রে হায়রি।

লৈবাক কনবা অহল্লূপ (লৈকল্লূপ)কী লূচিংবা নেপ্রম নুংকাংবনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লাইশু তম্বীগী থৌরম অদুদা খুন্নাই অসিগী মাঙথরক্লিবা লমচৎ-শাজৎ, থকসি-খাসিগী লমদা খরমখৈ অওনবা পুরক্লবগী পান্দমদা লৈকল্লূপকী অহলশিংনা অঙম্বা খরদং তৌনিংবদগী লাইরিকশিং পুথোক্তুনা কোয়না চত্তুনা অঙাংশিংদা লাইশু তম্বীবনি। থৌওং অসিনা খুন্নাই অসিদা লমচৎ-শাজৎ, থকসি-খাসিগী লমদা অওনবা পুরকপা পাম্বা লূপশিং, মীওইশিং পুম্নমক্না পুন্না থৌ পাংমিন্নদুনা হীরমসিগী মতাংদা লৈবাক্কী ওইবা ঈহৌ অমা শাগৎপা ঙম্লবদি পাদমসিগী মহয় শোয়দনা ফংগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

লৈকল্লূপকী অহলশিং থকসি-খাসি, লমচৎ-শাজৎকী মতাংদা খুন্নাই অসিদা অওনবা পুরক্লবা চখরিবা থৌওং অসিদা শোয়দনমক্কী হীরম অসোমদা অওনবা পুরকপদা মতেং ওইগনি হায়না অঙাংশিংগী মমাশিংনা ফোঙদোক্লখিবগা লোয়ননা খুন্নাইসিগী নুপীশিংসু মখোয়না হীরম অসিগী মতাংদা শোয়রিবশিং অদু মশা মশানা খঙনা চোংথোক্লদুনা শোয়রিবশিং চুমথোক্লবগী থৌ শুবশিং মথৌতাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

লৈকল্লূপকী লাইশু তম্বীবগী থৌরম অদুদা লমদম অদুগী মমাশিংনা পেল্লদুনা খুদৈ অমদি শেল খুদোল তল্লদুনা পূক্লিং থৌগৎখি। লাক্লিবা জুন ২১দা ফোঙনবা পান্দম থল্লিবা লাইশু অহুমশুবা ফোঙনবগী মতেং ওইনা থোংজু মখা লৈকায়দগী পুখ্রম্বম শিলা লৈমনা লুপা ৩০০০, সোইবম মেমতোননা লুপা ১৫০, সোইবম বেবিনা লুপা ১০০ অমসুং তেকচম ইবেমচানা লুপা ১৫০ তেংবাঙবীরকখি হায়রি।

মেগা ফাইনেল এক্টরস টেলেন্ট হন্টকী খনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস) :

ওল মণিপুর ফিল্ম মেকর্স এন্দ প্রোদ্যুসরস এসোসিএসন্না শীন্দুনা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী ওদিটোরিয়মদা লাক্লিবা জুন ২দা পাঙথোক্কদবা ৩শুবা ফ্যুচর এক্টর ২০১৭কী মেগা ফাইনেল এক্টরস, টেলেন্ট হন্টতা শরুক য়াগদবশিং খনখ্রে।

মেগা ফাইনেল কম্পিটিসন অসিগীদমক মে ২৭তা পাঙথোকখিবা প্রিলিমিনরি সেলেক্সন রাউন্দদা নুপা ১১ অমসুং নুপী ১১ খনগৎখ্রে। খনগৎলবশিং অদুদি দিলিসন সনসম, ৰাইখোম দয়াবন্ত, লাইশ্রম চিংথংখোম্বা, অদবানি লাইশ্রম, গিপসন খোইরোম, ৰাই বোরিস, সনসম দিমোচা, লাইরেনময়ুম দিজেন, সোইবম দিবলিং, সোরোখাইবম প্রেমজিৎ অমসুং নিংঙোম্বম সুর্জিৎনি।

নুপীশিংগী ওইনা য়েনশেম্বম অশাকিরণ, ক্রিটি লাইশ্রম, ঙাঞ্জথোই ৰাইখোম, মোইরাংময়ুম সৈলেজা, মুতুম বেবী, হেলেনা নাম্মৈরাকপম, সোরাম অইংবী, তিনা ৰাইখোম, লৈশাংথেম এলবিজ, হিদাম মিনাকশি অমসুং বিদ্যনি মঙাংবু খল্লে হায়না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

এম এস সী দল্লিয়ুনা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমনগী চ্যেরপার্সন ডা. কে সোবিতানা লূচিংবা টিম অমনা লৈখিদ্রবী থৌনাওজম শান্তি (৩৮) মপুরোইবা আর কে মোধুসনানা লৈরম্বা সগোলবন্দ তেরা কৈথেলগী অশানবা য়ুমদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে।

কম্মিসনগী চ্যেরপার্সন ডা. কে সোবিতাগা লোয়ননা সোইবম নিলিমা অমসুং ডা. ফরিদা শাহ মেম্বর মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমনসু লোয়নখি। য়ুম্বু অমসুং মফম অদুগী মীয়ামগা ৱারী শানদুনা য়েংশিল্লবা মতুংদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমন এক্ট, ২০০৬কী সেক্সন ১০গী মতুং ইন্না সু মোটো কেস অমা শান্তিনা লৈখিদবগা মরী লৈননা লৌখৎলে অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিটিদা কংক্রিট ষ্টেটস রিপোর্ট পীখৎতুনা মীশি অসিগী লংলা-লংজিন থিগৎনবা হোৎনরগনি।

CROSSWORD-2428



ACROSS

- 1 Adversary (8)
- 6 Nervous twitch (3)
- 9 Swimming stroke (5)
- 10 American reindeer (7)
- 11 Ignorant, not cognisant (7)
- 13 Lifeless (5)
- 14 Apprehensive, edgy (6)
- 15 Exploding firework (6)
- 18 First sign of the zodiac (5)
- 20 Mean, medium (7)
- 21 Immediate (7)
- 22 Power (5)
- 23 Information (3)
- 24 Reject (4,4)

DOWN

- 2 Appease, pacify (7)
- 3 Lubricant (3)
- 4 Surpass (6)
- 5 Bring to an end (9)
- 6 Board (5)
- 7 Forgeries (12)
- 8 Amassing (12)
- 12 Helper (9)
- 16 Scottish city (7)
- 17 Fried fish coating (6)
- 19 Norwegian dramatist (5)
- 22 Wet soft earth (3)

Solution 2426



SOLUTION ON NEXT ISSUE

ৰাই এফ সীগী কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস) :

য়ুথ ফোর চেঞ্জ মণিপুরগী অহানবা ৰাই এফ সী মণিপুর ষ্টেট লেবেল কম্পিটিসন ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

চেঞ্জিং ৱর্ল্ড এন্দ ইটস ইনভাইরোনমেন্ট হায়বা থিম অসিদা কেটগরি অনী থোক্লা খাইদোক্লগা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অসিদা পুন্না কম্পিটিটর ৪০০না শরুক য়াখি হায়রি।

গ্রুপ-এগী ওইনা ক্লাস ৱানদগী ফাইব ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোয়শিংগী অথোই অহেন তান্নবদা রেগ্যুলর ইংলিশ হায় স্কুলদা ক্লাস ফাইব তল্লিবা মহৈরোয় মোইরাংথেম থোইথোইবনা ফর্ষ্ট, সেন্ট জোর্জ হায় স্কুল ৰাঙ্খৈদা ক্লাস ফাইব তল্লিবা মহৈরোয় দাওলাস লম্বামযুমনা সেকেন্দ অমসুং য়ুনাকো স্কুলদা ক্লাস ফাইব তল্লিবা লোইতোংবম জেনেভানা থার্দ তাকখ্রে।

গ্রুপ-বিগী ক্লাস সিক্সতগী টেন ফাওবগী কম্পিটিসন্দা সিসু নিন্থা নিকেটনদা ক্লাস টেন তল্লিবা মহৈরোয় মালেমঙানবা ৰাইখোমনা ফর্ষ্ট, দি এ ভী পব্লিক স্কুল সঙাকফমদা ক্লাস নাইন তল্লিবা তেলেন্ট খাইদেমনা সেকেন্দ অমসুং জে এন ভী য়ারলপাৎতা ক্লাস টেন তল্লিবা মহৈরোয় ওসিয়া কোন্সমনা থার্দ তাকখ্রে হায়না ৰাই এফ সী মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি লোইতোংবম সুরজনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

DUTTA CLINIC

মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক ARSHNASAK PILES CAPSULE DUTTA CLINIC তগী ফংবীগনি

অঙৌবা পকপা :

অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

তাং-তাং চিকপা :

তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিখবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্লা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নুপাগী প্রোব্লেম :

ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফটিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙল্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে।

নুপীগী প্রোব্লেম :

ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :

নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্লা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

ডাইবেটিস :

ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :

না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।

অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৰাবা অদু কোক্কনি।

DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/3850/6/05-04/06



HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-2227

	1	2	5					3
7	3			1	4			9
	4		1	3		2		
		1				3		
		3		4	6		1	
5			3	2			4	8
3					5	9	7	

Solution-2226

1	3	2	8	6	9	7	4	5
9	4	8	5	7	2	3	6	1
5	6	7	1	3	4	9	8	2
2	5	6	9	8	1	4	7	3
4	8	9	3	5	7	1	2	6
3	7	1	4	2	6	5	9	8
6	9	3	2	4	5	8	1	7
7	1	5	6	9	8	2	3	4
8	2	4	7	1	3	6	5	9

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9